# বোক্সর ৩০৩না শরুক য়াদুনা অনীরকশুবা গভর্নরস কপ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (মাবা)না শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৭নি চখৎদবা অনীরকশুবা গভর্নরস কপ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকখিবা বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইলিট মেন এন্দ ৱিমেন, য়ুঠ মেন এন্দ ৱিমেন, জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস, স্কুল এজ বোইজ এন্দ গর্লসকী কেটগোরিশিংদা বোক্সরশিংনা অথোই-অহেন চাংদম্নগনি। ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মাবাগী মখাদা লৈবা য়ুনিট/ক্লব ১৬তগী লাকখিবা নুপা বোক্সর ২০১, নুপী বোক্সর ১০২ পূন্না বোক্সর ৩০৩না শরুক য়ারি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা দিরেক্টর য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর টি ফুলেন মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, শান্নরোয়শিংগী সর্টিফিকেটকা এদ্যুকেসনগী সর্টিফিকেটকা চপ মান্নবা লেভেল অমদা লৈহন্নবা প্রপোজল থাখিবা লৈরে। মসিগী প্রপোজল অসি করিগুম্বা অয়াবা পীরক্লবদি শান্নরোয়শিংদা খূদোংচাবা কয়া ফংবা ঙম্লগনি। মী খূদিংমক মানা-মানা তৌরিবা শিনফমদুদা অকক্লবা পন্থুং অমা লৈবনিনা শান্নরোয় খূদিংমক পেলহনবদি ঙমদে। অদুবু ইন্টরনেসনল লেভেলগী শান্নরোয় থোক্লকপা মতমদদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা খূদোংচাবা ফংহনবতা নৎতনা থবক ফাওবা পীরি। শান্নরোয়শিংগী খূদোংচাবা অমনা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেসকী এগজাম থাদ্রবসু ওলিম্পিকতা পার্টিসিপেন্ট তৌবা ঙম্লবদি স্পোর্টসকী ফিল্ডদা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরগী পোষ্ট ফাওবা পীরি। মরম অসিনা শান্নরোয়শিংনা লাইরিক হৈহৌদ্রে হায়বগী নীংহন্নবা লৈতনা হেন্না পূক্নিং চঙনা শান্নদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।



ঙসিগী থৌরম অদুদা এসিষ্টেন্ট পাসপোর্ট ওফিসর, পাসপোর্ট সেভা কেন্দ্র ইম্ফালগী পি ভোগেন্দ্রো (আই আর এস)না অথোইবা মীথুংলেন, অদুগা প্রিন্সিপাল নেসনল স্পোর্টস একাদেমি রনবির সরাংথেমনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা পি ভোগেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরনা বোক্সিংগী লম্‌দা ইন্দিয়াগী ওইনা মেদল কয়া লৌরক্তুনা মখোয়গী মফম অমা কনবা ঙম্লি। ঙসিগী শান্নরোয়শিংনা অমুক্কা হেন্না থৱায় হকচাং য়াওনা কন্না শান্নদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা আউটসাইদতা শান্নবা চৎকদবা লৈরবদি এসোসিএসনশিংনসু মতেং পাংবীরগা মাংজৌননা পাসপোর্ট শাবীয়ু। খূদক্তা লাকপা মতমদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিংগী নীংবা কায়নবা অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লি হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা স্কুল এজ বোইজগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী বাউটশিংদা কেজি ৪৬কী কেটগোরিগী ওইনা সুরটলজিৎ ফাঞ্জৌবমনা অরাম্বম বদল, উশম থৌনা লুৱাংনা ওইনাম রাজেশ মৈতৈ থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। কেজি ৪৯গীদা গুরুময়ুম জেক্সননা থৌদাম পূন্সিবা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। কেজি ৫২গীদা দল্লিয়ু খুমনলাকপা মৈতৈনা উমরজিৎ ফৈরোইজম, থাংজম জেরিসন মৈতৈনা এলাংবম তোমপোকঙানবা মৈতৈ, লৈহাওরুংবম তোমথিনঙানবনা লোয়াঙম্বা শমজেৎশাবম, থোঙাম জেক্সননা রাজকুমার অথোইসনা মৈতৈ, থৌবা মাইবমনা লাইশ্রম য়ুহেনবা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। কেজি ৫৫গীদা নেলসন খ্বাইরাকপমনা ৱাংখেময়ুম রোনাল্ড, কারুং অলবর্টসন কোমনা লাইশ্রম নোংলেনখোম্বা মৈতৈ, অদুগা বোগীময়ুম মুস্তাক অহমদনা পোইরৈ চবুংবম থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। জুনিয়র বোইজগী ওইনা কেজি ৫২গীদা লাইশাংবম শেনেবাশনা এম দি অলম অদুগা কেজি ৫৪গীদা সলাম চাজেরনা হিজম সুজ লাল মায়থীবা পীরক্লগা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

# লীক ওইরকপা মেদিকেল রিপোর্টকী মতুংইন্না ইমান খেলিফ নুপানি হায়রি

পেরিস, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী):

ফ্রান্সনা য়ূম্বু ওইদুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবী অলজেরিয়ন বোক্সর ইমান খেলিফকী জেন্দর আইদেন্টিফিকেসনগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া লাকখ্রবা মতুং লীক ওইরকপা মেদিকেল রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মহাক নুপানি হায়রি।



ফ্রেঞ্চ জর্নেলিষ্ট জাফর এট ঔদিয়ানা লীক ওইরকপা মেদিকেল রিপোর্টশিং অদু ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা ২০২৪ সম্মর ওলিম্পিক্সতা ৱিমেন্স বোক্সিংগী ওইনা গোল্ড লৌখ্রবী অলজেরিয়ন বোক্সর ইমান খেলিফ ইন্টর্নেল টেষ্টিকল য়াওই অমদি এক্স ৱাই ক্রোমোজোমনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি। ক্রেমলিন ভাইসেটর হোস্পিটালগী এক্সপর্টশিং অমদি মোহমদ লেমিন দেবাঘীনে হোস্পিটালনা কুমজা ২০২৩গী জুন থাদা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না খেলিফকী বাইওলোজিকেল ষ্ট্রকচরদা নুপী মাল্লবসু মহাক ইন্টর্নেল টেষ্টিকল য়াওই অমদি য়ুটেরস য়াওদে হায়না রিপোর্ট পীখৎলকপা লৈখ্রবনি। লোয়ননা এম আর আইগী রিপোর্ট অমদসু মহাক মাইক্রোপেনিস য়াওই হায়না রেদক্সকী রিপোর্ট অমনা মমাং চহীদা ফোঙখিবসু লৈরবনি।




# য়ু ভি এস এ অমসুং এম এল ভি এফ এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচএনএস):


সিকো ক্লব অমদি ৱাই দি সী সী এম এলনা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল লৌরেম্বম লৈকাইদা লৈবা সিকো গ্রাউন্দদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস দি পি ও চিংথাম আনন্দকুমার মেমোরিএল ৯-এসাইদ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা য়ু ভি এস এ অমসুং এম এল ভি এফ এ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং অমসুং ভি এফ সী (এ) শীংজমৈগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা য়ু ভি এস এগী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ১০শুবা মিনটতা য়ু ভি এস এনা চথুরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা থিংনবা হোৎনবদা শোয়বদগী ভি এফ সী (এ)গী শান্নরোয় এল নিলঞ্জয়না মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিঞ্জখিবা অদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা য়ু ভি এস এনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লিবা য়ু ভি এস এনা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৪০, ৫৯শুবা মিনটতা এস বুধনা অনী, অদুগা ৩১, ৪৭শুবা মিনটতা এম দি অব্দুল ৱাহিদনা অনী চনখিবনি। অদুগা ভি এফ সী (এ)গী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অনীদগী হেন্না চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু য়ু ভি এস এনা পাঞ্জল ৫-২দা মায় পাকখিবনি। ভি এফ সী (এ)গী পাঞ্জল অনী অদু মেটচ অদুগী ৪৪ অমসুং অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা টি ঐচ রুপচন্দ্রনা চনখিবনি।

অমরোমদা, এফ এল এ এম অমসুং এম এল ভি এফ এগী মরক্তা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী হৌরগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এম এল ভি এফ এনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1298**

**Teklay Teshager (1868) - IM Bragi Thorfinnsson (2430)**
**42nd Olympiad 2016 Baku AZE, 2016.09.02**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 c5 | 3.Nf3 cxd4 | 4.Nxd4 e6 |
| 5.e3 Bb4+ | 6.Bd2 Be7 | 7.Be2 Nc6 | 8.Nc3 O-O |
| 9.O-O b6 | 10.Ncb5 a6 | 11.Nxc6 dxc6 | 12.Nd4 Qc7 |
| 13.Qc2 Bb7 | 14.Bc3 c5 | 15.Nf3 Qc6 | 16.Rfd1 b5 |
| 17.Be5 h6 | 18.Ne1 Rfc8 | 19.Rd2 Qe8 | 20.Bf3 Bxf3 |
| 21.Nxf3 Nd7 | 22.Rad1 Nb6 | 23.b3 a5 | 24.Qe4 bxc4 |
| 25.bxc4 Qa4 | 26.Rc1 Rd8 | 27.Rdc2… | |

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1297 Solution :**

**25. Nf6+** The white knight moves out of the pin by Black's rook against White's queen. The white knight deflects Black's bishop away from protecting the square f8 and the square h6. **Bxf6 26. Qxe8+** The white queen captures Black's rook, which was defending the square f8. **Kg7 27. Bf8+** The white bishop attacks Black's king, which is defending the square h6. **Kg8 28. Bh6+** With a discovered check by the white queen. **Rxe8 29. Rxe8#** Pillsbury's mate
**1-0**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com